লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট

এস দব্লিয়ু এ সেক্তা অমসুং আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এনএস) : ইম্ফাল ইষ্ট ভেটেরান ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা নুঙ্গাই অৰাং লৈকায় প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্কুনা এস দব্লিয়ু এ সেক্তা অমসুং আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্কুনা পাঙথোকপা অহানবা লোংজম ইবোচৌ অমসুং লোংজম ওংবী অহনবী নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল এস সী ৰাই এ য়ুন্নাম খুনৌ অমসুং এস দব্লিয়ু এ সেক্তা শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। মেচকী ২২শুবা মিনিটতা এস দব্লিয়ু এ সেক্তাগী বোবিনচান্দনা মেচ অদুগী অহানবা গোল চনখি। রোবিনচান্দনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এস দব্লিয়ু এ সেক্তানা গোল ১-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। এস সী ৰাইগী মায়কৈদগী এস দব্লিয়ু এনা মাঙজিল থানা চৎলিবা অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপদগী এস সী ৰাইগী শান্নরোয়শিংনা এস দব্লিয়ু এনা অহানবা হাফতগী মাঙজিল থানা লাক্লিবা গোল অদু হন্দোক্লবা য়াঙনা শান্নরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা এস সী ৰাইনা এস দব্লিয়ু এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু এস দব্লিয়ু এনা গোল ১-০দা মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেল চঙখি।

অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা অনীশুবা গ্রাউন্দদা আই ঈ ভি এফ এ সলানথোং অমসুং ৰাই এস সী লৈতানপোকপী শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা লম্বা চানা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খাই চল্লকপা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্নদনা লৈনখি। মেচকী ২১শুবা মিনিটতা ৰাই এস সীগী ৰাহাসনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাখি। ৰাই এস সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু আই ঈ ভি এফ এগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা হন্দোকপা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফতা আই ঈ ভি এফ এগী শান্নরোয়শিংনা মেচ অদু লাকশিন্না শান্নরকখি। মেচকী ৩৪শুবা মিনিটতা আই ঈ ভি এফ এগী ওলেন্না ৰাই এস সীগী মাঙজিল থানা চৎলিবা গোল অদু হন্দোক্কুনা মেচ অদু গোল ১-১দা ইক্বেলাইজ তৌখি। গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চথনরকখি। অদুবু লম্বা চানা শান্নখিবনা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেন্নবা গোল চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মেচকী অরোইবা মীকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা গোল চন্নবা ঙম্নদবদগী পেনালটি কাওনখি। পেনালটি কাওনবদা আই ঈ ভি এফ এনা মেচ অদু গোল ৬-৫দা মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেল চঙখিবনি।

আই ঈ ভি এফ এগী পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ লেনিন, জর্সি নম্বর ১২ ওলেন, জর্সি নম্বর ২৭ জেমস, জর্সি নম্বর ১৬ দেসো অমসুং জর্সি নম্বর ২৯ টাইসন্না চনখিবনি। মায়থীহৌরবা ৰাই এস সীগী পেনালটিদা চনখিবা গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১৩ ৰাহাস, জর্সি নম্বর ৬ বোইসম, জর্সি নম্বর ১১ গুন অমসুং জর্সি নম্বর ১৪ সরিফনা চনখিবনি।

অহানবা লেট মোংজম ইবোচৌ এন্দ লেট মোংজম ওংবী অহনবী মেমোরিএল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী মখা চথরকপা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী ৰাইরি এফ সী অমসুং এস বি আর নোংদম শান্নগনি হায়রি।

৩৪শুবা ষ্টেট সব জুনিয়র অমসুং ২৬শুবা য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮ ফোর বোইজ এন্দ গার্লস

সব জুনিয়র বোইজতা মোদেল, ৰাই পি ঐচ য়ু অমদি য়ুথ বোইজতা সী ৰাই এল সী, মোদেল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এনএস) : মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন (এম বি এ) না শিন্দুনা শিংজমৈ চীংঙামখাগী মোদেল ক্লব বাস্কেটবোল কোর্টতা পাঙথোকপা ৩৪শুবা ষ্টেট সব জুনিয়র অমসুং ২৬শুবা য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সব জুনিয়র বোইজতা মোদেল ক্লব অমসুং ৰাই পি ঐচ য়ু অমসুং য়ুথ বোইজতা সী ৰাই এল সী অমদি মোদেল ক্লব মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা কেটাগোরি মরিদা টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকপা ৩৪শুবা ষ্টেট সব জুনিয়র অমসুং ২৬শুবা য়ুথ বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮গী সব জুনিয়র বোইজকী মেচ ওইনা ঙসি অয়ুক পুং ৬.৩০ তাবদগী গ্রুপ এগী অহানবা গ্রাউন্দদা ৰাই পি ঐচ য়ু অমসুং য়ুথ ক্লব শান্নখি। মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা অকনবা লম্বা তৌনদুনা শান্নখি। অহানবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা য়ুথ ক্লব অমসুং ৰাই পি ঐচ য়ু পোইন্ট ১২-১০দা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ১২ স্কোর তৌখি। অদুগা য়ুথ ক্লবনা স্কোর অমত্তা তৌবা ঙমদবদগী অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ২২-১২দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি। অদুগা য়ুথ ক্লবনা পোইন্ট ১২ স্কোর তৌদুনা ক্বার্টর লোইশিল্লকপা ফাওবদা ৰাই পি ঐচ য়ু অমসুং য়ুথ ক্লব পোইন্ট ২৪-২৪দা লৈখি। মেচ অদুগী মরিশুবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ৩৬ অমসুং য়ুথ ক্লবনা পোইন্ট ৩৪দা লৈদুনা মেচ অদু ৰাই পি ঐচ য়ুনা য়ুথ ক্লবপু ৩৬-৩৪দা মায়থীবা পীখি। ৰাই পি ঐচ য়ুগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু পাইখোম্বনা পোইন্ট ৪, ৰিলিবৌ অমদি এম লনচেনবনা পোইন্ট ২/২, কৃষ্ণচারি অমসুং এল রাহুলনা পোইন্ট ১৪/১৪ স্কোর তৌখি। মায়থীহৌরবা য়ুথ ক্লবকী স্কোরশিং অদুনা আর কে দেবরাজনা পোইন্ট ২, বিশ্বাসনাথনা পোইন্ট ১৭ অমসুং তামচুইনা পোইন্ট ১৫ স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দগী ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী য়ুথ বোইজকী গ্রুপ বিগী মেচ ওইনা ৰাই পি ঐচ য়ু অমসুং সী ৰাই এল সী শান্নখি। অহানবা ক্বার্টরদা সী ৰাই এল সীনা পোইন্ট ৬ অমসুং ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ২খক স্কোর তৌদুনা মেচ অদুগী অহানবা ক্বার্টর লোইবা ফাওবদা সী ৰাই এল সীনা ৰাই পি ঐচ য়ুবু পোইন্ট ৬-২ দা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টরদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ১২ স্কোর তৌদুনা অমসুং সী ৰাই এল সীনা পোইন্ট ৮ স্কোর তৌদুনা মেচ অদু পোইন্ট ১৪-১৪দা চপ মান্ননা লৈখি। অহুমশুবা ক্বার্টরদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ১৩ অমসুং সী ৰাই এল সীনা পোইন্ট ১০ স্কোর তৌদুনা মেচ অদু অহুমশুবা ক্বার্যর লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৭-২৪দা লৈদুনা মাঙজিল থাখি। মেচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টরদা ৰাই পি ঐচ য়ুনা পোইন্ট ১৩ অমসুং সী ৰাই এল সীনা পোইন্ট ১৭ স্কোর তৌদুনা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা সী ৰাই এল সীনা ৰাই পি ঐচ য়ুবু পোইন্ট ৪১-৪০দা লৈদুনা মেচ অদু মায় পাকখি। সী ৰাই এল সীগী মায় পাকপগী স্কোরশিং অদু গুনিসনা পোইন্ট ১৯, লেনিন্না পোইন্ট ৫, ৰালটরনা পোইন্ট ২ অমসুং রোবুটসন্না পোইন্ট ১৫ স্কোর তৌখি। মায়থীহৌরবা ৰাই পি ঐচ য়ুগী স্কোরশিং অদুনা এল নিকাসনা পোইন্ট ৭, বোবিচান্দনা পোইন্ট ১৯, তেনসন্না পোইন্ট ১২ অমসুং রাহুলনা পোইন্ট ২ স্কোর তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সব জুনিয়র বোইজকী অহুমশুবা গ্রাউন্দগী মেচ ওইনা মোদেল ক্লব অমসুং পিতম্বরা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা মোদেল ক্লবনা পিতম্বরাবু পোইন্ট ৪৯-২০দা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি মরিশুবা অমসুং অরোইবা মেচ ওইনা মোদেল ক্লব অমসুং সেন্ট এন্থোনি শান্নখি। মেচ অদু হেক লোইবদগী লোইবা ফাওবা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা ক্বার্টর লোইশিল্লকপদা মোদেল ক্লবনা সেন্ট এন্থোনিবু পোইন্ট ৫১-৪১দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা মেচ ওইনা হয়েং সব জুনিয়র বোইজতা য়ুথ ক্লব অমসুং সী ৰাই এল সী অমদি ঈ এস য়ু অমসুং পিতম্বরা শান্নগনি হায়রি।

১৩শুবা সব জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

আই দব্লিয়ু দি এফ এনা দি এস এ বিষ্ণুপুর অমসুং আই ঈ দি এফ এনা দি এফ এ থৌবাল মায়থীবা পীখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শিন্দুনা খুমন লম্পাক্কী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদা চথরিবা ১৩শুবা সব জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা আই দব্লিয়ু দি এফ এনা দি এস এ বিষ্ণুপুর অমসুং আই ঈ দি এফ এনা দি এফ এ থৌবাল মায়থীবা পীখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৫না শরুক য়াদুনা লীগ রাউন্দ বেসিসতা পাঙথোকপা ১৩শুবা সব জুনিয়র গর্লস ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ৭শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১ তাবদগী দি এস এ বিষ্ণুপুর অমসুং আই দব্লিয়ু দি এফ এ শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা আই দব্লিয়ু দি এফ এনা দি এস এ বিষ্ণুপুরবু গোল ৭-০দা মায়থীবা পীখি। আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১১ সর্টোলিন্দা কোমনা মেচকী ২৩শুবা, ৪০শুবা অমসুং ৬৭শুবা মিনিটতা গোল ৩, জর্সি নম্বর ১৪ এল সোফিয়ানা মেচকী ৯শুবা, জর্সি নম্বর ১০ এল বেবিদোলিনা মেচকী ২৭শুবা, জর্সি নম্বর ৯ টি ঐচ ক্রিটিনানা মেচকী ৪৪শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১৫ ঐচ সিলকিনা মেচকী ৪৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা দি এফ এ থৌবাল অমসুং আই ঈ দি এফ এ শান্নখি। মেচ অদুদা আই ঈ দি এফ এনা দি এফ এ থৌবালবু হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাকশিন্না শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৩শুবা মিনিটতা আই ঈ দি এফ এগী কে ঐচ নিরমালানা গোল অমা চনখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনিটতা আই ঈ দি এফ এগী কে ঐচ মার্টিনানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-০দা মাঙজিল থাখি। অহানবা হাফকী এক্স্ত্রা টাইম মেচকী ৪০ প্লস ৰান্দা কে ঐচ মার্টিনানা মহাক্কী টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মেচ অদু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল ৩-০দা লৈহনখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৫শুবা মিনিটতা আই ঈ দি এফ এগী হিংনৈলাম কেনা গোল অমগা চন্দুনা মেচ অদু আই ঈ দি এফ এনা গোল ৪-০দা অমুক লৈখি। মেচকী ৫৬শুবা মিনিটতা কে ঐচ মার্টিনানা মহাক্কী অহুমশুবা গোল চল্লগা হেটট্রিক লৌদুনা মেচ অদু গোল ৫-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। মেচকী লোইরমদাই মীকুপ ৭৯শুবা মিনিটতা অমুক হিংনৈলাম কেনা মহাক্কী অনীশুবা গোল চনশিনখি। হিংনৈলাম কেনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু গোল ৬-০দা মায় পাকখি।

অহানবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

এস দি সী শমুরৌ অমসুং এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচএনএস) : অন্দ্রো মচেংপাৎ য়ুথ ক্লবনা শিন্দুনা ৰাই এস এস য়ু অন্দ্রোনা স্পোন্সর তৌরগা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা পাঙথোকপা অহানবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এস দি সী শমুরৌ অমসুং এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং মায় পাক্কুনা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮না শরুক য়াদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্কুনা পাঙথোকপা অহানবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এস দি সী শমুরৌ অমসুং পি আর এস সী পৌরাবি শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এস দি সীনা পি আর এস সীবু সেট ৩-০ (২৫-১৩, ২৫-১৩, ২৫-১১) দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা এ এম ৰাই সী অন্দ্রো মচেংপাৎ অমসুং এ ঈ এল ৰাই সী অন্দ্রো মমাঙ লৈকায় শান্নখি। মেচ অদু এ এম ৰাই সীনা হেক হৌবদগী লোইবা ফাওবা লাকচনা শান্নখি। ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা এ এম ৰাই সীনা এ ঈ এল ৰাই সীবু ৩-০ (২৫-১১, ২৫-১৭, ২৫-২৩) দা মায়থীবা পীখি।

অহানবা লেট পি ঐচ ধর্ম্মচন্দ্র সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল সব জুনিয়র বোইজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ৰাই এম দি ও হৈরাঙ্গোইথোং অমসুং পি আর এস সী পৌরাবি শান্নখি। মেচ অদুদা ৰাই এম দি ওনা পি আর এস সীবু ৩-১ (২৫-২১, ২৫-২১, ১৮-২৫, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীরল্লগা ৰাই এম দি ও সেমী ফাইনেল চঙখি।

ঙসিগী অরোইবা অমসুং মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা এস দি সী অমসুং এ এম ৰাই সী শান্নখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা এস দি সীনা এ এম ৰাই সীবু ৩-০ (২৫-১৭, ২৫-১২, ২৫-১৪) দা মায়থীবা পীরল্লগা এস দি সী শমুরৌ সেমী ফাইনেল চঙখি।

neIFT Blucloud ACADEMY
Diploma in AVIATION (Cabin Crew / Air Hostess)
Diploma in FASHION DESIGNING
Only Academy to give Real-Time Flying Experience to its students :)
100% PLACEMENT GUARANTEE
Hotline: 80112-49471 80112-49717
Campus: neIFT Blucloud Academy
GNB Road, Next to SBI, Silpukhuri, Guwahati-781003 (Assam)
www.neiftbluclouadacademy.com
Manipur Contact: Mr. Abhay
70053-20028
90895-88142
LIMITED SEATS
HL-P/3282/8,14,17

ত্রায়েল কম সেলেক্সন

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এনএস)ঃ অন্ধ্র প্রদেশকী টিরুপটিদা চহী অসিগী জুন ৩দগী ৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩৬শুবা জুনিয়র (নুপা অমসুং নুপী) নেসনেল সোফ্টবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা মণিপুর মহুৎ শিনগদবা শান্নরোয় খনবগী ত্রায়েল কম সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর সোফ্ট বোল এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ত্রায়েলদা লাক্কদৌরিবা শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মরী লৈনবা চে-চাং (পোকপগী সার্টিফিকেট, আধারা কার্দ নচিংবা)গা লোয়নননা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী অয়ুক পূং ৭ তাবা মতমদা রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

মণিপুরগী হ্বিলচিয়র ফেন্সর ১৫ খনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এনএস)ঃ চহী অসিগী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ইম্ফাল নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপস অমদি থা অসিগী ১২দা পাঙথোকখিবা ত্রায়েল সেলেক্সনগী রিজল্টকী মতুং ইন্না মথং থাগী ২৬তগী জুলাই ৫ ফাওবা কর্নাটাকাগী কোনুং বেঙ্গলুরুদা পাঙথোক্কদবা ইন্দিয়াগী অহানবা নেসনেল পেরা গেমসতা মণিপুর মহুৎ শিনগদবা হ্বিলচিয়র ফেন্সিংগী এথলিট ১৫ খনখ্রে হায়না হ্বিলচেয়র ফেন্সিং এসোসিএসন ওফ মণিপুরনা প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি। পুন্না নুপা ফেন্সর ১০ অমসুং নুপী ফেন্সর ৫বু মাষ্টর বিরেন্দ্র কাঙজম অমসুং সনাতোম্বা অমদি লিন্দা চনুনা ওফিসিএল ওইগদৌরি।

মার্সিএল আর্টসকী ত্রায়েল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মে ১৬ (ঐচ এনএস)ঃ

ৰর্ল্ড টাইক্বান্দো ফেদরেসনগী শেন্থং মখাদা ভুটান টাইক্বান্দো ফেদরেসন অমসুং ভুটান ওলিম্পিক এসোসিএসননা য়ুম্ফু ওইদুনা মথং থাগী ২দগী ৪ফাওবা লৈবাক অদুগী কোনুং থিম্পুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪শুবা ইন্টর্নেসনেল কিয়োরুগী অমসুং ৩শুবা ইন্টর্নেসনেল টাইক্বান্দো পোমসে চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮দা শরুক য়াগদবা শান্নরোয় খনবগী ষ্টেট ত্রায়েল কম সেলেক্সন অমা পাঙথোক্কনি হায়না মর্সিএল আর্টস ওথোরিটি, মণিপুরগী মায়কৈদগী প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ত্রায়েল কম সেলেক্সন অদু কেদেট, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র কেটেগোরি অহুমদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। চেরোল অসিনা মখা তারদুনা শান্নরোয় অমনা ইভেন্ট অমদগী হেন্না শরুক য়াবা য়ারোইদবনি। লোয়ননা খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা টুর্নামেন্ট অদুদা শরুক য়াগদৌরিবনি।

LOAN AVAILABLE
1. Vehicle loan (2 wheeler/3 wheeler/4 wheeler etc….)
2. Business loan [Rs.1,00,000 to Rs.20 Lakhs (12% P.A)] (2nd Phase)
3. Pension loan (1.5%,2%,2.5%&3% P.M)
4. Machinery loan(Stone Crusher, Carpentry Machine, Flex Printer,Embroidery related Equipment, Incubator, Beverage শেম্নবা Machine, Car Wash Machine Set, Fish & Chicken Equipment, Iron Soldering Machine, Workshop Equipment অসিনচিংবা।
N.B:- মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা মীওই খুদিংমক অমসুং মরুওইনা নৌনা বিজিনেস তৌনীংবা অমসুং হান্না মপূং ফানা তৌরবা নহারোলশিংদনা হেন্না খুদোংচাবা পীজগনি।
Please contact:- #8731978490
Development Organisation For Socio-Economic in Rural Area (DOFSIRA) & L.G. MOTORS
Office Hour: 10.00am-04:00pm
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI (H.Q), IMPHAL
Branches: SEKMAI KOUJENGLEIMA, KAKCHING IRUM LAMDONG, THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL, NAMBOL LAMBAN, MOIRANG PATLOU.
HL-B/4594/23/4-22/6 (alt.)

HONDA
May, the hottest month to buy a Honda.
Get an assured gift in addition to the monthly benefits when you buy a Honda car between 1st to 31st May 2018.
CITY BENEFITS UPTO ₹47,000
WR-V BENEFITS UPTO ₹12,000
JAZZ BENEFITS UPTO ₹1,00,000
MAY FOR MORE
GET AN ASSURED GIFT
Apple iPhone X - 64GB | Branded Split AC | Branded LED | Worth ₹ 20,000
Bluetooth Speaker | Branded Double Door Refrigerator | Fully Automatic Washing Machine | Branded Airfryer | Microwave
Sangai Honda
Showroom : Ghari Airport Road, Imphal, Manipur, Pin: 795001
Phone: 1800113121 (Toll free) & SMS <SANGAI> TO 56161 for details and enquiry.
Contact No. : 9615374145 email: salesmanager@sangaihonda.in
HL-B/4616/9-18/5 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com